## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা থা অসিগী ২০ দা মণিপুর সিনে পোলিসি চৎনহল্লগনি অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজনগী ইন্সটিট্যুটকী একাদেমী সেসন তৌরগনি হায়না লাওথোকখিবা অদুবু ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমদি মণিপুর সিনেগী ইমুং-মনুং পূম্নমক্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা মাংজৌননা লাক্লিবা মার্চ ১০ হায়না দেট লাইন থম্লম্বা অদু চহি অসিগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুনবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌদুনা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি রাকেস সোইবম্না প্রসিডেন্ট, এম দি অন্সর অমসুং ঐচ জনাকিপজেন্না ভাইস প্রসিডেন্টশিং, ৱাররিস অক্রমনা জেনরেল সেক্রেটরি, জোনাস সিংহনা ফাইনান্স সেক্রেটরি লোয়ননা গাইচুইনানা পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরগনি হায়রি।

## এ আরনা সোল্লর লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১১ অসাম রাইফলসনা মোরেগী অকোয়বদা লৈরিবা খুলশিংদা সোল্লর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে।

ন্যু মোংজাং অমসুং এস মোলজোল ভিলেজগী মীয়ামদা সোল্লর লেম্প ১০২ য়েন্থোকখ্রে। খুঞ্জাশিংবু হেন্না চাওখৎনবা প্রোজেক্ট অমসুং এসিষ্টেন্টকী মখা তানা য়ুনিট অসিনা মতুংদসু থবক কয়া পায়খৎখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## চিয়রমেন খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর এপেক্স কো ওপরেটিভ মার্কেটিং সোসাইটি লিমিটেদকী নৌনা থৌ পুননবা য়ুম্নাম রঞ্জিৎপু চিয়রমেন, ঐচ গৌরহরিবু ভাইস চিয়রমেন, এস দি রৈসাংবু উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই এন্দ মার্কেটিং কো ওপরেটিং সোসাইটিগী ডিলিগেট ওইনা খল্লে হায়রি।

## লেনিনদা পীরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক্স রাইটর ফোরম্না চহি খুদিংগী ওইনা চহি ৩৫ গী মখাদা লৈবা শৈরেং ইবাশিংদা পীবা মনা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোৎকুমারী লিটরেরি এৱার্দ ২০১৭ লেনিন খুমনচানা ইবা শৈরেংগী লাইরিক মতমগী মংলান্দা পীরগনি হায়রি।

এৱার্দ অসি থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ১ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদবা অরাম্বম ইবোঙোহল এন্দ বোনোৎকুমারী অনি লৈখিদবগী নিংশিং থৌরমগা মরী লৈননা পীগনি। এৱার্দঅসিদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫, সাইটেসন, সোল অমসুং মোমেন্টো য়াওরি। অমরোমদা পেট্রিওটিক্স লাইটরস ফোরম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক লাইমাইদা লৈবা সেন্ট বেনেটিক্স কিন্দরগার্তন স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী প্রসিডেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম্না প্রসিডেন্ট, পাউ চে অসিগী কলমলিষ্ট নবকুমার ওইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি হায়রি।

## থৌ পুরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া দলিৎ সহিত্য একাদেমী মণিপুর ষ্টেটকী ডিষ্ট্রিক্ট প্রসিডেন্ট ওইনা ডা: হাওজম রোসোবু বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী, লৈশাংথেম ইবেয়াইমা মাইব খুলবু ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী, পুখ্রম্বম বিরেন জিরিবাম বজারবু জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্টক্কী, লাইময়ুম নবকুমার ককচিং বজারবু ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী অমসুং কঙাবম বোরমণি চরাংপাৎপু থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খল্লে হায়না ভারতিয়া দলিৎ সহিত্য একাদেমী মণিপুর ব্রাঞ্চকী ষ্টেট প্রসিডেন্ট রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## নম্বর ফোর ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ওল লিলোং এন্টি দ্রগস এসোসিএসন অমদি এন্টি সোসল প্রিভেন্টিভ ওর্গনাইজেসন্না মাংজৌননা পাও ফংবদগী থা অসিগী ১৯ গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা লিলোং তুরেল অহনবা খোঙনাং মখোংদা হাওস সর্চ চথবদা মফম অদুদা লৈবা ফজিলাতুন (৪০) মপুরোইবগী মমিং এম দি ফজুর রহমন হেরোইন পাউদর নম্বর ফোর গ্রাম ১২ গা কোন্ননা ফারে।

ট্রান্সপরেন্ট ওইবা প্লাষ্টিক বেগ অমদা হেরোইন পাউদর অদু য়োমশিল্লগা চেংফুদা লোৎতুনা থম্লম্বদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

# মহৈরোইশিং পাখৎ-থুকৎপা য়াওহন্দনা এগজামিনেসন থাহনগদবনি: অখাম জয়কুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): এগজামিনেসন ফজনা পাঙথোকপা হায়বসি মপান্দা সেক্যুরিটি চেকশিনবা ওইবা খক্তা নত্তে। এগজামিনেসন হোলদা মহৈরোইশিংনা ৱাখল তানা এগজামিনেসন থাজবদুনি। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা পাখৎ-থুকৎপা য়াওদনা এগজামিনেসন থাহনগদবনি হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুর (বোসেম) গী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

বেসোমগী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা পাউ চে অসিদা মখা তানা হায়খি। এগজামিনেসন ঈংনা-তপ্পা পাঙথোকপা হায়বসি এগজামিনেসন থাবা লাক্লিবা মহৈরোইশিং অমসুং এনভিজিলেটরগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা ক্লাস টেনগী এগজাম অসিদা ইনভিজিলেটর, ও সি, এস আইনচিংবা দ্যুটি তৌরিবা পূম্নমক্না ফজনা হোৎনবীগদবনি। অঙাংশিংবু পাখৎপা অমদি থুকৎহনবা য়াবা মওংদা চেক তৌবীরোইদবনি। মহৈরোইশিংনা এগজামিনেসন থাবা চঙলকপদা কম্পাস মনুংদা কাওদুনা এদমিট কার্দ অমদি পেন্নচিংবা কাওদুনা থম্লম্বসু য়াওগনি। মরম অদুনা এগজামিনেসন হোলদা পুশিনগদবা পোৎচৈশিং চেক ফজনা তৌবিরগা চঙহনগদবনি। চেক তৌবা মতমদা মোবাইল ফোন য়াওরম্লবসু লৌথোকহল্লগা থমহনগদবনি। মথৌ পাঙথোক্লিবশিং অদুনা নিংথিনা চেক তৌবগী মখা পোন্না মহৈরোইশিং অদুনা নোট তৌবসু ঙম্লোই। য়াম্না হৈ-শিংনা লোন্না পুরকপা ওইরবসু চেক তৌবদা লোইনা থেংনগদবা ঙাক্তনি। চেক তৌবা মতমদা অঙাংশিংনসু পাখৎতনবা মওংদা তৌগদবনি। নোট তৌবা হায়বসিদি হান্নদগী তৌদুনা লাক্লবা অমনি অনৌবা নত্তে। এগজামিনেসন হোলদা সি সি টি ভি কেমেরা খিল্লবসু কান্নবা ফংলোই। মসিনা মণিপুরগী মপালদা শেল হেন্না চৎনবনি। ৱেবসাইট সট দাউন তৌবনসু কান্নরোই। মরমদি ইপা-ইপুগী ৱাহৈদা শম্বলনা হৱাইমতোন চাবা হায়দুনা অমা লৈ। মরম অদুনা ওজাশিংনসু চেকশিনবা চঙই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, স্কুল অমা চাওখৎহনবা হায়বসি ওজা অমদি মহৈরোইশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। হৌজিক মীয়াম্না প্রাইভেট স্কুলনা হেন্না ফৈ গভর্ণমেন্টকী স্কুলনা ফত্তে হায়নরি। অসিগুম্বা অসি প্রাইভেট স্কুলগীদি ওজা অমসুং মহৈরোইশিং চেকশিন্দবা য়াদবনা চেকশিন্না থম্বননি। প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংদা লৈরিবা মহৈরোই ফহন্নিংবা অমসুং শেমন্নিংবগী ৱাখল্লোন অসিসু তমজবা মথৌ তাই। প্রাইভেট স্কুলদা হোৎনরিবা অসিগুম্না ওজাশিংনা হেন্না হোৎনবীরবদি গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংসু হেন্না চাওখৎপা ঙমগনি। ওজাশিং ফত্তে হায়বদি নত্তে অদুবু মসি শেন্থোক লম্বীদা খেন্নবা লৈবনসু ওইরম্বা য়াই হায়না খল্লি।

# ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): রিসর্চ ফোরম মণিপুর রিফোম অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ইন্টরনেসনেল মাদর ডেগী থৌরম ঙরাং কংলা হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ৱেবসাইটসু হাংদোকখি। লোয়ননা রিসর্চ ফোরম মণিপুরগী চেফোংসু আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার মোইরাংথেম লক্ষ্মীকুমারনা ফোঙখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মোইরাংথেম লক্ষ্মীকুমারনা হায়খি, লোল হায়বসি ঈহৌ অমদি খরা অমনা মাংখিবা য়াই, খরা অমনা অমুক শৌগৎলকপা য়াই। তৌবতবু লোল হায়বসু ইশা ইশানা খরা ঙাক্না থম্বা চঙই। ইমা লোলগী ফজবদা লোলয়ান য়াওদনা শেংনা থম্বা চঙই।

হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লৈরবনিনা অহলশিংনা লোল য়োকখৎনবা অখং-অহৈশিংনা চঙশিনবদা ডিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগীসু য়াওগনি। লোল চাওখৎনবগীদমক সিম্পোজিয়ম অমসুং সেমিনরনচিংবা পাঙথোকপা য়াই। শেনয়েক্তা ঐখোয়গী লোল/ময়েক য়াওদ্রিবা অসিগী ওইবা ৱাফম কয়া অমসু লৈখ্রে। ক্লাসিকেল লোলবু ওইরবসু নৎত্রগা ওইদ্রবসু মরু ওইরিবদি লোল চাওখৎনবা হোৎনবদুনি। মরম অদুনা অঙম্বা থাক্তা চাওখৎনবা হোৎনমীন্নসি।

চহি খুদিংগী ইমা লোল চাওখৎনবা হায়দুনা ইন্টরনেসনল মাদর ডে পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনবগী থৌরমনি। লোল য়োকখৎপদা ইশা-ইশাগী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়বসি নুমিৎ অসিনা খঙহল্লি। মালেমগী ওইবা রিকগনাইজ তৌরবা লোল ওইরবসু য়োকখৎপা হায়বা অমা চঙই। লোলগী নুমিৎ পাঙথোকপা অসিনা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা পাউজেলসু পীরিবনি। মণিপুরী লোল ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লে। ঐখোয়গী লোল চাওখৎলে অদুবু মখা তানা অমুক্কা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবদা পূম্নমক্কী থৌদাং চঙই। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কসু পুন্না খঙমীন্নদুনা হোৎনমীন্নসি।

থৌরম অদুগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা রিফোর্মগী প্রসিডেন্ট ডা: মঙশাতাবম লোকেন্দ্রনা হায়খি, লোল চাওখৎপা হায়বসি ইমালোলবু চাওখৎহনবা হায়বনি। ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মৈতৈ/মীতৈশিংনা লোল অসি য়োকখৎলমদ্রবসু হৌজিক্তিঃ য়োকখৎলে হায়বা য়াই। ত্রিপুরাগী মৈতৈ মশেলগী মরক্তা মণিপুরী লোল ঙাংনরে অমসুং মসিদা নুংঙাইবা ফাওই।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রো: নাওরেম খগেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

# ওল ইন্দিয়া ব্লাইন্দ ৱেলফিয়র ৱিক লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): য়াঙ্খৈনিথোই শুবা ওল ইন্দিয়া ব্লাইন্দ ৱেলফিয়র ৱিক ২০১৮ থা অসিগী ১৪ দগী চথুরকখিবা অদু লোইশিনবগী থৌরম ঙরাং সিজ হেল্থ সিটি লাঙ্গোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱেলফিয়র এসোসিএসন ফোর দি ব্লাইন্দ মণিপুরগী প্রসিডেন্ট ৱাই ব্রজমোহোন, সিজ আই কিয়র ফাউন্দেসন লাঙ্গোলগী ডা: দিনকুমার য়াম্বেম, ঐচ দি ফাউন্দেসন মণিপুরগী ডা: সাপম জসোবন্তা অমসুং সিজগী বিজিনেস ডিভলপমেন্টকী এসিটেন্ট মেনেজর দিনেস থোকচোম্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখিবশিংদি এম য়ুগী হেল্থ সেন্টরদা ভলন্টরি ব্লদ ডোনেসন অমসুং এৱ্যেরনেস কেম্প চথুদুনা মহৈরোই ৮০ না ব্লদ ডোনেসন তৌখি। সিজ আই কিয়র ফাউন্দেসনগী মখাদা থা অসিগী ১৪ দগী ২০ ফাওবা ফ্রি আই কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা মীওই ৩ না কেট্রেক, মীওই ২ না টেরিজম অমদি মীওই ২ না লেজরগী মতেংনা লায়েংবগা লোয়ননা কান্নবা পীখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। হোম ফোর দি ব্লাইন্দ তাকয়েলদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী এক্সপার্টশিংনা ভর্মী কলচর অমসুং ভর্মী কম্পোষ্টিংগী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং পাঙথোকখি।

য়ুনিক ডিসএবিলিটি আইদেন্টিটিদি কেম্পেনদা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওই ৫০ না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীৎ দোনেসন তৌবগী কেম্পেন পাঙথোকখি।

থৌরমশিং অদুদা ৱেলফিয়র এসোসিএসন ফোর দি ব্লাইন্দ, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, সিজ আই কিয়র ফাউন্দেসন, কম্যুনিটি কোলেজ ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ঐস ডি ফাউন্দেসন তেরা, লাইব সেভর মণিপুর, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটর, ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর, রিমস ব্লদ বেঙ্ক অমসুং এম এ সি এন মণিপুরনা তেংবাংবীরকখি অমসুং থৌরম অসি মপুং ফাহনবীখিবি তোম্ভোই লৈশাংথেম নেসনল এৱার্দীবুশু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# প্রসিডেন্ট অমসুং সি ও এসকা উনখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): মণিপুরগী খা থংবা শরুক্কী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা শজিকতম্পাক, সেলোন অমসুং জৌপীগী অঙাংশিং ইন্ডিয়াগী প্রসিডেন্ট রাম নাথ কোবিন অমসুং জেনরেল বিপিন রাৱত, য়ু ৱাই এস এম, এ ভি এস এম, ৱাই এম এম, এস এম অমসুং ভি এস এম চীফ ওফ আর্মী ষ্টাফকা থা অসিগী ২১ দা উন্নখ্রে। হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ডিরেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলসকী সিভিক এক্সন প্রোজেক্টকী মখাদা শজিকতম্পাক বটালিয়ন্না শিন্দুনা অঙাং ২০ দিল্লি অমসুং অগ্রাদা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুর পাঙথোক্লিবনি।

প্রসিডেন্টগা রাজত্রপতি বভনদা উন্নবদা অঙাংশিং অদুনা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওখি। প্রসিডেন্টকা মতম শাংনা অঙাংশিং অদুগী নাৎ, মখোয়না অপাম্বা অমসুং মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা অরাপ্পা মফমদা খুন্দারিবা নহাশিং অদুগী ৱাখল্লোনসু ফোঙদোকখি। অঙাংশিং অসিগী পুন্সিদা য়াম্না চাওবা খুদোংচাবা অমা ওইনা মংলম্বা মং থবক্তা ওইনা ওন্থোকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মমাংদা অঙাংশিং অদুগা জেনরেল রৱতকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। অঙাংশিং অদুনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং অদু তাবগা লোয়ননা মণিপুর ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরকপদা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদুসু থবক্তা ওন্থোক্তুনা শরুক য়ানবা অঙাংশিংদা পাওতাক পীখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# জিরিবাম পুলিসনা হেরোইন পাউদর ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এ এস আই এ কৃষ্ণ শর্ম্মা আই সি স্পেসল টাক্স ফোর্স জিরিবাম অমদি জিরিবাম সি দি ওগী এস আই এন নন্দলালনা তেংবাংবা টিম অমনা থা অসিগী ২০ দা নেসনল হায়ৱে ৩৭ গী জিরিবামগী লৈঙাংপোকপী মনাক্কী আর সি সি ব্রিজদা ফ্রিক্কীং অমসুং চেক্কীং তৌবদা ফোর্স ক্রুজর গাড়ি (এ এস ১১ এ সি ৯০৭৩) জিরিবাম তম্না লাকপদা খামদুনা সাপোন কেপ/প্লাষ্টিক তন্নের ৬ তা পেক্কেট ৬ থোক্না পুরম্বা হেরোন পাউদর নম্বর ফোর গ্রাম ৬০ ফাগৎপা ঙমখি। গৌতম নমাসুদ্রা (২১) অপোকপা নমাসুদ্রা কৌবা কছারগী তিলকানোতুন বস্তি লক্ষিমপুরদা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। দ্রগ অদুগী মমল লোকল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ৩ রোম ওইগনি হায়না জিরিবা ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এডিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপস) কে অজিৎকুমার এম পি এসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। জিরিবা ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মথৌদা কৎথোক্তুনা ডিষ্ট্রিক্ট অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা ময়াই কাবা পোৎলমশিং লোন্না পুশিল্লকপা, মীরৈবাক মচা চঙলকপা, রোহিংয়া অমসুং বঙ্গাদেসিশিং ষ্টেট অসি ফাওদুনা চঙলকপা থিংনবা মীৎ-না শিংনা লৈরি। মসিগী মথক্তা এন ঐচ ৩৭ দা গাড়ি হুরানবা মীওইশিংনা গাড়ি হুরান্দুনা পুশিল্লকপা থিংনবা, দ্রগ অমদি খুৎশু-খুৎলাইনচিংবা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং লোন্না পুশিল্লকপা থিংনবা হোৎনরি। জিরিবা ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিদা দ্রগ ট্রাফিক্কর কয়াসু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

# কাঠমন্দুগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): নেপালগী কাথমন্দুদা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫ দা পাঙথোক্কদবা ইন্দো নেপাল দলিৎ সহিত্য কনফরেন্স ২০১৮ য়াওরুনবা ৱাইখোং গোজেন পদ্মশ্রীনা লুচিংবা মীওই ২৩ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

দলিৎ সহিত্য একাদেমী মণিপুরগী সেক্রেটরি বি কে মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কনফরেন্স অদুদা মনা পীনবা খল্লক্লবা মণিপুরদগী থৌনাওজম গোজেন লাংমৈদোং, মোইরাংথেম তোম্বী উরিপোক, উরিৎখিংবম প্রবিয়া, ইবোতোম্বী খুমন হাওবম মরক, ডা: ওইনাম চাওবা তাংলৈহদা, সোরোকখাইবম হেম মৈতৈ য়ুম্নাম খুন্নৌ, ডা: থিংবাইজম বিমোল কোংবা, মহমদ তাইবুর রহমন খান ক্ষেত্রিবেঙ্গুল, তখেলময়ুম মেম্মা, তখেলময়ুম তখেলখম্বা/তখেলয়াংবা, তখেল রাজেন য়াংবা, ইরুংবম কুবের, ডা: সোরোখাইব সোরোজা লম্বোই খোংনাংখোং, থোকচোম জিতেন বামোনকম্পুর, লাইশ্রম জুগেশ্বর ৱাংজি, ডা: ৱাংহেংবম ইঙো, ইরেংবম নন্দ মৈতৈ, আর কে জয়সন্ত সিংজমৈ অমসুং শরাংথেম থরোঙাংবী য়াওরক্লে হায়রি।

## থাজগী মঙালদা রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): চীংখুরাকপা আর্ট প্রদক্সন্না পুথোকপা 'থাজগী মঙালদা' হায়না মীংথোনবা ম্যুজিক এলবম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা লোঞ্চ তৌখ্রে।

চীংখুরাকপা আর্ট প্রদক্সন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা: এন নর ফোর্মর মিনিষ্টর আর্ট এন্দ কলচরনা চীফ গেষ্ট, আমিক্কী প্রসিডেন্ট শগোশেম তিজেন্দ্রনা প্রসিডেন্ট অমসুং ডা: মনাওতোন সোরাইশম ইডুকেস্নেল অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্টনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

'থাজগী মঙালদা' হায়না মীংথোনবা ম্যুজিক এলবম অসিগী সিঙ্গরনা নাওবোইনি অমসুং লাশ্রম সুরজিৎনা ম্যুজিক্কী থৌদাং লৌরগা ঈশৈ ময়েক্না লাইশ্রম সুরজিৎকীনি হায়রি। এলবম অদু রিলিজ তৌবগী থৌরম অদুদা এলবম অদুবু পুথোক্লিবী এক্টর লাইশ্রম তোনথোইশু শরুক য়াখি।

## লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংলে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): ককচিং ডিষ্ট্রিক্টতা ওথোরাইজ তৌদনা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবদা থিংবা থল্লে হায়না ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদ ককচিংদা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী মেজিষ্ট্রেদ নৈলেনথাং তেলেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদকী পর্মিসন য়াওদনা লাউদ স্পিকর শিজিন্নরম্বশিং অকনবা এক্সন লৌখৎকনি। লাউদ স্পিকর শিজিন্নবগী অয়াবা লৌনবা চেরোল পীশিল্লকপশিংনা লাউদ স্পিকর শিজিন্নগদৌরিবা অদুগী য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৭ নিগী মমাংদা হাংজরক্কদবনি। মপুং ফানা ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা য়াবগী অয়াবা পীগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# 'য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ ২খক্তমক পাঙথোকসি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ নিনি খক্তমক পাঙথোকপীনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা ডেমোক্রেটিক ষ্টুডেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (ডেসাম) না ফোঙদোরক্লি।

ডেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ফিলেমচা বালেশ্বর মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ডেমোক্রেটিক ষ্টুডেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (ডেসাম) না লমদম অসিগী মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোন অমদি তোঙান তোঙানবা থৌদোক-ৱাথোকশিংদা পূক্লিং চঙদুনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লকপগী শরুক অমা ওইনা মমাং চহি কয়াদগী লাওদুনা অমদি থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা থবকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লমদমসিগী য়াম্না থৱাই য়াওনা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্মৈগী মতাংদা লুপ অসিগী ৱাখল্লোন খরা লৈবাক মীয়ামদা থমজরি।

য়াওশঙ হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাঙথোক্লরিবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী নাৎ, চৎনবিগা তাইওন্নবা মওংদা অবের তৈনবা, ঈশিং হৈজিন্নবা, লম্বী লমজাওদা অঙাংদগী হৌরগা লৈশাবী ফাওবা অচৎ-অওকশিং থৎতুনা শেল খায়বনচিংবা লৈবাক মাঙনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া চথনরি। কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লিবা নুমিৎ ৫ অসিদা খুন্নাই অসিগী সিষ্টেম পূম্নমক পেরলাইজ ওইদুনা খুন্নাই অসিগী লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী মহৌশাগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং পীরি। মহৈতন্ফম শঙ পূম্নমক থোং হাংনদে, লৈঙাক্কী লোয়শঙ পূম্নমক থোং লোন্দুনা মথৌ তৌনদে, লল্লোন-ইতিক্কী মফম পূম্নমক থোং লোল্লি। নোংমগী খুৎশুমল তাল্লগা হিংজবা মীওইশিংগী থবক শুফম-নোমফম লৈহন্দ্রি হায়রি।

অসিগুম্বা য়াওশঙগী ফৎত্রবা চৎনবী অসিদগী নাথৈনবা হায়দুনা লৈকাই-লৈকাইদা শান্ন খোৎনবগী থবকশিংনা মহুৎশিন্নবা চহি কয়াগী মমাংদগী লাক্লবসু মপুং ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রি। অহোইনদুম ঈশৈ নোংমাই তৌরিবা মীওইশিংনা য়াওশঙগী অবের তৈনবা, ঈশিং হৈনবদা পূক্লিং থৌগৎপা মওংদা ভিদিও এলবম কয়া পুথোরকপসু লেপত্রি হায়রি।

পূম্নমকশিং অসি ডেসাম্না কুপ্না নৈনরবা মতুংদা কুম্মৈ অসি লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা লাইশঙশিংদা পাঙথোক্লবসু কুম্মৈ অসিনা নুমিৎ ৫ চুম্না সোসল সিষ্টেম খুদিংমক্তা পেরলাইজ ওইহনবসি মরম চাদবা অমদি তৌফম থোক্তবা অমনি হায়না লৌই।

মরম অসিদা ডেসাম্না লৈবাক মীয়ামদা মরু ওইনা স্কুলশিং, ওজাগী শিনফমদা লৈবীরিবশিং, গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙদা থবক তৌরিবশিং, ট্রান্সপোর্টরশিং অমদি লল্লোন ইতিক তৌরিবা খুদিংমক্না য়াওঙ অসি মপুং ওইনা নুমিৎ ২ দগী হেন্না পাঙথোকপীদনবা অমদি হুম্নি চনবা নুমিৎতা হান্নগুম ইশা ইশাগী ইথৌনা হঞ্জিনবীদুনা অনৌবা খোঙথাং অমা থাংবিনবা পূম্নমক্কী মফমদা ফোঙদোরকই।

# লোর্দ বাদন পৱেলগী ১৬১ শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন অমসুং মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা বোই স্কাউট মুভমেন্ট হৌদোক্লম্বা লোর্দ বাদন পৱেলগী ১৬১ শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন শিংজমৈনা শিন্দুনা লোক্লাওবুংদা লৈবা ষ্টেট হেড ক্বাটরদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ই য়াইমা রিটয়রদ এডুকেসন ডিরেক্টর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, আর কে চিংলেনসনা রিটয়রদ সেক্রেটরি মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লি (ষ্টেট কম্মিস্নার এম এস এস য়ু) না প্রিসাইদ তৌখি অমদি ৱাই শুরেস এসিষ্টেন্ট ষ্টেট কম্মিস্নার (এম এস এস য়ু), সি ঐচ জয় সেনিয়র স্কাউট লিদর অমসুং আর জলজিৎ জোইন্ট সেক্রেটরি এম এস এস য়ুনা অখন্নবা গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউট এন্দ গাইদসনা শিন্দুনা শগোলবন্দ পোপুলর অপ্পর প্রাইমরি স্কুলদা ৱার্ল্ড থিঙ্কিং ডে ২০১৮ কী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউট এন্দ গাইদসকী ষ্টেট চীফ কম্মিস্নার টি ঐচ ইবোপীশক অমসুং শগোলবন্দ পোপুলর অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হেড মিষ্ট্রেস এ কৈল্যানিনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিডেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা স্কাউট মুভমেন্টবু হৌদোকপীরম্বা লোর্দ বাদন পৱেলগী অমসুং গাইদ মুভমেন্টকী চীফ ওইরম্বী মহাক্কী লোয়নবী ওলেভ লেদি বাদন পৱেল অনিগী মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্তুনা নিংশিংখি।

ইম্পেক্ট ফোর দি গার্ল গাইদস এন্দ গার্ল স্কাউট ইজ ওল অবাউট ব্রিংগিং পোজিটিভ চেঞ্জ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড থিঙ্কিং ডেগী থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল ষ্টেট সেক্রেটরি টি ঐচ হেরামণি অমসুং এসিষ্টেন্ট ষ্টেট কম্মিস্নার এল প্রমেশ্বরনা শন্দাক্না হায়খি, গার্ল গাইদশিংনা মতৌ করম্না নুপীমচাশিংদা চথরকপা ক্রাইমশিং মায়োক্লগনি হায়বগী মরমদসু ৱা ঙাংখি।

# কাখলগী অনৌবা থৌপু লূপ শেমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): কংলা খুন্থোকয়াই অপূল লুপলেল (কাখল) গী চীংঙামথক্তা লৈবা লুপ অসিগী লোয়শঙদা থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মিটিংনা লুপ অসিগী চহি ৩ গী থৌ পুগদবা মীওই ১৫ খনখ্রে।

নেপ্রম নুংকাঙবাবু প্রসিডেন্ট, কোঞ্জেংবম শ্যামকিশ্বরবু ভাইস প্রসিডেন্ট, য়াংঙ্গোই পীবাবু সেক্রেটরি জেনরেল, সিনাম লুখোইবু কলচরেল সেক্রেটরি, থৌদাম নন্দকেশ্বরবু সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন সলাম সরত লুৱাংবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি, সলাম চাওবা লুৱাংবু সেক্রেটরি ফাইনান্স, য়াইকুবি লৈমা পেবম্বু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এডমিনিষ্ট্রেসন, সগোলশেম য়াইখোম্বাবু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কলচর, ওক্রম ঊনবী লৈবা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, থোকচোম মঞ্জুরীবু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ফাইনান্স, চীংগাংবম লোয়া, য়েন্দ্রনবম নন্দো অমসুং নাওরোইবম অমেংববু এগজিক্যুটিব কম্মিটি মেম্বরশিং, লাইশ্রম ইবোয়াইমা অমসুং নিংথৌজম থৌরেনবু ওদিটর অমদি য়েলাংবম মীৎঙম্বা অমসুং মঙাংচা কৈসাম ইবোমচাবু এডভাইজর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

# রগাইলোং, কম্মান্দো কমপ্লেক্স রোদ শেম্বীনবা তকশিন্দুনা মীয়াম্না লম্বী থিংখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): এ আর এক্স সার্ভিসমেন রগাইলোং অমসুং কম্মান্দো কমপ্লেক্স রোদ অথুবদা গভর্ণমেন্টনা শেম্বীয়ু নৎত্রবদি মতম পূম্বগী থিংজিল্লগনি হায়না কেক্রুপাৎ মিনুথোং ডিভলপমেন্ট থোংনা শিন্দুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবি কেক্রুপাৎ মিনুং ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর নাওরেম বিধুমুক্কিনা ফোঙদোকখিবদা লম্বী অসি মমাং চহিদগী হৌনা ফত্তবনি। লম্বী অসিদা গাড়ি চৎপদা উফুল য়াম্না হৌবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মমাং চহিগী লোইরমদাইদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এদা লম্বী অসি শেম্বীনবা হায়জখ্রবনি। চৎলিবা ফেব্রুৱারী থা অসি ফাওবগী মনুংদা লম্বী অসি শেমজিন্নবা হায়জখিবা অদু হৌজিক থা লোইশিল্লক্লবা ফাওবা শেম্বীদনা লৈরি। হৌজিক এসেমব্লি ফম্লিবা অসিদা লাওগে হায়বা নত্তে। লম্বী অসি লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা শেম্বা লোইশিনবীয়ু হায়জবনি। লম্বী অসি শেম্বীদ্রবদি লাক্লিবা এপ্রিল ১ দগী থিংজিনবা হায়না ৱারেপ লৌরে। মফম অসি ইম্ফালগী ময়োল ওইরবসু তোতি ঈশিংনচিংবসু ফংদে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরু ওইবা ওফিসর কয়া চৎলিবা লম্বী অসি শেম্বীনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।